বিদ্যারানি মীশিগী অচুম্বা পুথোকউ হায়না সী এস ওশিং য়াওনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থৌবাল লৈশাংথেম ৱাংমতাবাদা লৈবা ওক্রম নিংঙোল লৈশাংথেম ওংবী বিদ্যারানি (২৩)গী মীশিগী অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়দুনা ঙসি মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং য়াওনা মীয়াম্না মীফম পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিফাওবা বিদ্যারানিগী অশিবা হকচাং লৌদবা হায়বা ৱারেপশিং লৌখ্রে।

জে এ সী এগেনষ্ট দ সসপিসস দেদ ওফ ওক্রম নিংঙোল লৈশাংথেম ওংবী বিদ্যারানিনা শিন্দুনা থৌবাল নিংঙোম্বম সনা কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট ইমা রমানি, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ইমা লৈরিক লৈমা, তাম্না চীংমীগী প্রসিদেন্ট ইমা মোমোন লৈবা, সনুলালগী এদভাইজর ইমা ইবেথোয়, কে দল্লিয়ু দল্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট কুমু লৈবা, জে এ সীগী কনভিনর আই সুভাসিনি, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্সকী চ্যের্মেন জয় চীংঙাখম, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইট (সী ও ঐচ আর)গী প্রসিদেন্ট ফুলিন্দ্রো কোন্সম, আই কে এ এলগী এদভাইজর এ রিদিমালা, আই কে এ এলগী সেক্রেটরি জেনরেল লুৱাংলৈমা, পোইরৈ লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবী অমসুং থৌবাল অপনুবা লুপ (টি এ এল)গী সেক্রেটরি নিংথেমজাওনা অথোয়বা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবা ৱাঙাংলোয়শিংনা হায়খিবদা, বিদ্যারানিগী মাপামগী মীওইশিংদা করিমতা হায়দনা করিগীদমক পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা পুরম্বনো। পোষ্ট মোর্টেম তৌদ্রিঙৈদা ইমুংগী মীওইশিং চংশিন্দুনা য়েংলুবদা বিদ্যারানিগী নঙ্গলদা দাকফম কয়ামরুম তারম্বসু থেংনখি হায়রি।

থৌরি য়াল্লগা শিরগা করিগী নুপী ময়ুমদা পাউ পীরমদনা তুমিন্না লৌথরল্লিবনো অমদি নুপা মায়ুমদা করিগী পুলিসনা ঙাক্লল্লিবনো হায়না হংলদুনা ডোক্তরনা হোস্পিটালদা শিনা পুরক্লে হায়বা মীওই অমবু মপামগী মী অমা ফাওবা য়াওদনা হাথু-হাথুনা জেনিমসকী মোর্গতা পুরিবা করিগিনো হায়না ফোঙদোক্লখি।

ঙসিগী মীফম্মা লৌখিবা ৱারেপশিংদা, বিদ্যারানিগী মীশি অসি মথন্তা শিজবা নৎতে, মহাক্কী নুপা সনায়াইমা অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংনা হাৎপনি, মীশি অসিগী পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা মথন্তা থৌরি য়াল্লগা শিজবনি হায়বসি য়ানিংদে। জে এ সী অমদি জে এ সীনা য়াবা মীওইশিং য়াওরগা অমুক হন্না পোষ্ট মোর্টেম তৌগদবনি, মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবদা পুথোক্তুনা মপূন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী ফাদোক পীগদবনি, পোষ্ট মোর্টেম অমুক হন্না পাঙথোক্লগা ৱারোশিন অমা পুরক্লবা মতুংদা লৈখিদ্রবগী মথৌ মঙম নুপী ময়ুমদা পাঙথোকপা লোয়ননা ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিফাওবা অশিবা হকচাং লৌদবা, মীহাৎ অসিগী মরী লৈননা লৈশাংথেম অমদি অনকপদা লৈবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংনা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা হোৎনবদা খুদক্তগী মতেং পাংহনবা অমসুং মখোয়গী ফিরেপ জে এ সীদা নুমিৎ নিনিগী মনুংদা খঙহনবা। মসিদা থওইদবা থোক্লবদি মশাদা থোকলকপা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংগী তেকচাক লৈশাংথেম মায়কৈগী ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বী অমদি সী এস ওশিংনা ওইগদবনি অমদি জে এ সীনা চংশিল্লকপা মখা তাবা থবক-থৌরমশিংদা লৈপাক্কিদমক নুপী খুন্নাইগীদমক কৎথোকপিরিবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, সী এস ওশিং পূন্নমকপু মতেং পাংবীবা হায়বা ৱারেপশিংনি।

ওক্রম নিংঙোল লৈশাংথেম ওংবী বিদ্যরানি (২৩) চৎলিবা থা অসিগী ১৮ অমদি ১৯গী লোন্নবা অহিংদা মশাগী ময়ুমগী কাদা থৌরি য়ান্দুনা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা শিরমখিবনি। লৈশাংথেম ওংবী ওক্রম নিংঙোল বিদ্যারানি (২৩) মপুরোইবা সনায়াই এলিয়স তেম্বা (৩৩)গী হৌজিক চহি অনিমখায়রোম শুরবা মচানুপা অমা লৈহৌরি। মপুরোয়বা সনায়াইমাদি পুলিসনা কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা থা অসিগী ২৫ নিংথৌকবা নুমিৎ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথখ্রবনি।

সঙাই ফেষ্টিভেল বিষ্ণুপুরগী ইমা লূপ ৪না বোইকোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): মণিপুরদা চহি কয়াদগী চাওনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল হন্দক চহিগী ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মরু ওইবা ইমা লূপ ৪না হায়বদি, এ এন য়ু এল, এম পি এ এল, য়ুনাইটেদ ৱুমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং জোইন্ট কম্মিটি ফোর মণিপুর ইর্ন্টিগ্রিটি মোইরাং সব দিভিজননা ফেষ্টিভেল অসি বোইকোট তৌরে হায়না ঙসি মোইরাং খোয়রু অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা লূপশিং অসিগী মীহুৎশিংনা মিদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে।

এ এন য়ু এল বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এল প্রামানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী ইর্ন্টিগ্রিটি কায়বা-কায়দবা হায়না অশুক চরাংনরিঙৈ মরক অসিদা ভেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে, মীয়ামসু মসিগী হরাও-কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াবিগনু হায়না অপিল তৌখি। এম পি এ এলগী মীহুৎ এন থম্বালসনানসু মীয়ামদা সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াবীগনু হায়না মিদিয়াগী খুৎথাংদা অপিল তৌখি।

য়ুনাইটেদ ৱুমেন দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট আর কে তোম্বীসনানা ফোঙদোকখিবদা, নাগা পিছ টোকনা মরম ওইরগা লুরবা তানজা অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। মণিপুর অসি মাচেৎ-মচেৎ তারগা কায়খিগদ্রা হায়না মীপায়নরিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি তৌরিবা অসি য়াম্না পেন্দে, মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লূপ ৪ অসিনা পুন্সিল্লগা বোইকোট তৌবগী ফিরেপ অসি লৌবনি হায়খি।

মখা তানা জোইন্ট কম্মিটি ফোর মণিপুর ইর্ন্টিগ্রিটি মোইরাং সব দিভিজনগী কোকনভিনর এন থাবানা ফোঙদোকখিবদা, মীয়ামগী ইহুল খঙদনা লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল তৌনবা লেপ্লিবা অসি মরম চাদে। লুরবা তানজা অসিদা হরাও-কুম্মৈ তৌরকপা অসি লাইবক থিবনি। হরাও-কুম্মৈ তৌবদা শরুক য়ারিবশিংদা থোকলকপা অফা ফত্তা তেকচাক মশা-মশানা পুজগদবনি। লূপ ৪ অসিগী মীহুৎশিং থোক্তুনা ভেষ্টিভেল অসি বোইকোট তৌনবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব অমদি পুরৈরোম্বা য়ুথ ক্লব কোনুং মমাং অমসুং নোংমৈবুং ৱুমেন দিভলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসনসু হয়েংদগী হৌগদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি সপোর্ট তৌরোই হায়রি।

ঙসি নুংথিল ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লবগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই এম)গী পিছ টোককী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চথরিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিভেল নমদুনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা অসি য়ানিংদে। মরম অদুনা কোকোমিগী লিচিং মখাদা লূপ অহুম অসিনসু মপুং ফানা শৌগৎকনি। মণিপুরগী ইর্ন্টিগ্রিটি কায়রকপা য়াবগী মতম অসিদা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসি শৌগৎলোই হায়খি। লূপ অহুম অসিনসু সঙাই ফেষ্টিভেল বোইকোট তৌই হায়রি।

বরাক, মক্রু অমদি ঈরং থোং ফৎতবনা দ্রাইভরশিংদা অৱাবা মায়োক্লরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী বরাক, মক্রু অমদি ঈরং থোংগী ফিভম ফৎতবনা লম্বী অসিদা গাড়ি থৌরিবা দ্রাইভরশিং তৎতনা খুদোংচদবা অৱাবা মায়োক্লরি হায়না ওল মণিপুর দ্রাইভর ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জোই ক্ষেত্রিময়ুমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হায়ৱে অসিদা মক্রু, বরাক অমদি ঈরং থোং অহুম অসিগী ফিভম ফৎত্রবসু লম্বী অসিদা চেল্লিবা গাড়িশিং চাকা ৬ পানবনা তোন ১৫ অমদি চাকা ১০/১২ পানবনা তোন ১৬তগী হেন্না পুবা য়াওরি। অরুম্বা চেক তৌরগনি হায়দুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীরকপসি য়াম্না নুংঙাইজে অদুবু হংজনিংবদি হায়ৱে অসি ওল জিরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভর য়ুনিয়ন অমদি ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী মখাদা লৈরব্রা নৎত্রগনা মদুগী ওথোরিটি শিন্নখিবা লৈব্রা। কনানা শিন্নখিবনো অরুম্বা অদু চালান য়েংলগা মীৎয়েংনা ওনবীগদৌরিব্রা নৎত্রগনা য়ুনিয়ন অনি অসিনা য়ারবদি অয়েৎপা করিসু লৈরোইদ্রা খঙজনিংই হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মমাংদা গাড়িশিংদগী শেল লৌই হায়দুনা পাউচেশিংদা অনিরক হায়খ্রে। অদুবু শেল লৌবদি অদুম লৌরি। শেলবু পীরবদি ইয়াহেক য়াবগুম তৌই। মরম অদুনা লম্বী অসিদা মীয়ামগীদমক চৎচরিবা দ্রাইভর ঐখোয়দা য়াম্না চমমনহল্লি। য়ুনিয়ন অনি পূন্না থোকমিন্নরিবা য়াথং-চে অসিমকসু থা অসিগী ২০দা থোক্লগা নুমিৎ অসিমক্তরুদগী গাড়ি চেক তৌবা হেক্তা হৌরগনি হায়বসিদি হান্না গাড়িদা হাপখ্রবা পোৎচৈশিং অদু লৌথদুনা নৌনা চাল্লান অমুক শাবা তারিব্রা।

অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা তৌহনজনিংদে। গাড়ি দ্রাইভরশিংদা অৱাবদা অৱাবা পীবা ওইনা থোক্কনি। হায়রিবা হিরম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীনবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আই এমগী কাদর ৩ শিরে হায়রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): কাংজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মণিপুর অমদি ম্যন্মারগা লোন্নবা বোর্দর পিল্লর ১২৩ দগী ম্যন্মাররোমদা কিলোমিটর ২০মুক চৎলগা লৈবা কচৌবুং খুল মনাক্তা ম্যন্মার আর্মিগা এন এস সী এন (আই এম)গা নোংমৈ কাপ্নবদা আই এম গী মীওইনি হায়বা মীওই অহুম শিরে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি হায়রি। থৌদোক অদুদা নাকন অনিনা নোংমৈ অমদি বোমনচিংবা য়াওনা কাপ্নখি হায়রি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউচে অসিনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিদা পাউ হংবদদি উখ্রুল অমদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদদি নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক লৈখিদে। অদুবু ম্যন্মারগী মোংশোং মনুংদা ম্যন্মার আর্মিগা খুৎ থোক্নারমগদ্রা হায়বদি চপ চানা পাউ ফংদে হায়রি।

গাড়ি চেনবা অমুক লেপ্পুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৩(ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরি লম্বীগী য়াম্না মরু ওইবা থোং অমা ওইরিবা মক্রু থোং ঙরাং নুমিদাং থোংগী উপাক তৎতুনা গাড়ি লানবা থিংলুরে।

মক্রু থোংদা গাড়ি লানবা য়াদবগী পাউ অদু তাবদা এন ঐচ আই দি সী এলগী কাংবুনা লাক্তুনা অহিং পূম্বা থোং অদু শেমজিল্লবা মতুংদা ঙসি অয়ুক পুং ৮দগী পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ইম্ফাললোমদা অমুক চৎহনখি। লোয়নना ইম্ফাললোমদগী লাকপা অহাংবা ট্রকশিংসু জিরিরোমদা চৎহনখি হায়রি।

দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরকপদা লম্বী অসিদা হৌজিক লৈরিবা বরাক, মক্রু অমদি ঈরং থোংগী ফিভম য়াম্না ফৎত্রে। লম্বী অসিদা নোংমদা ট্রক, ওইল টেঙ্কর, এল পি জি বুল্লেট অমদি পোৎ-চৈ পুবা ট্রকশিং য়াওনা নোংমদা গাড়ি ৩০০/৪০০ রোমদি লেপ্তুনা চৎলি। অদুবু থোংগী ফিভমদি নোংমা-নোংমগী শোকচিল্লকপা হেনজিল্লক্লি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)
/NOTICE FOR OBJECTION
Imphal, the 22nd November, 2019

No.Prop/SR/IW/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "The Little Valley Academy" on 22-11-2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Tera Lukram Leirak"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- P. Memi Devi
Deputy Registrar of Societies, Imphal West

HL-P/5360/24

Maipakpi Maternity and Child Hospital
Centre for Infertility, Mother & Child Care
North A.O.C, Imphal, Manipur.

/লাউথোকচবা

মাইপাকপী হোস্পিটালনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাঙ (CMHT) অমদি PMJAY কার্দ পায়বীরিবা মীওইশিংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীজরি।

HL-P/5348/23-27
Sd/- Manager, MMCH

URGENTLY WANTED
IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE
PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR - 795 001
Regd. No. MN04E0008451

Name of Post	Qlfn.	Post	Experience	Salary
1. Hospital Adm. Off	B.H.A.	1	At least 1 yr.	12K-20K
2. Medical Transcriptionist	Relevant Cert.	3	Required	7K-14K
3. Rediology	Relevant Cert.	3	2 yrs. exp.	Negotiable
4. Lab Tech.	Relevant Cert.	10	3 yrs. exp.	Negotiable
5. A.N.M.	Relevant Cert.	10	Required	8K-15K
6. G.N.M.	Relevant Cert.	30	Required	10K-18K
7. Male Nurse	Relevant Cert.	10		10K-18K
8. Sweeper	8th Passed	2		Negotiable
9. Peon/Helper	8th Passed	4		Negotiable

Date of Interview : 29th Nov. to 1st Dec., 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.
Last date of form submission is 28th November, 2019
Forms will be available at the office at Office hour.
For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891

HL-P/5353/23-27

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh . Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE

CLASS X (BOSEM)
CLASS STARTING - 9th DEC, 2019
TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.

CLASS XII SC. (COHSEM)
CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

CLASS IX & X (BOSEM)
CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

CLASS VI TO VIII (BOSEM)
CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020
TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.

* Day Boarding Facilities.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Carrier Counselling for future study.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Study Material will be provided.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/5262/10 nov. to 9dec.

EDUCITY TUTORIALS
Enlightened through Education
EDUCITY
Nagamapal Lamabam Leikai & Tera Tongbram Leikai

2 months Crash Revision Course for Class X
From 16th November, 2019 to 31st January, 2020
5:00 am - 8:00 am (Morning)
5:00 pm - 8:00 pm (Evening)

Foundation Course for Class IX and X
From 15th December, 2019 (5 months course)
4:30 - 7:30 (Morning & Evening)
Math, Eng./Sc./S.Sc./M.M.

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)

7th Position
W. Ningthem Meitei
S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu

The mock tests series of EDUCITY help me a lot in preparing for the HSLC Exam. Through the tests, I got an opportunity to know my weaknesses and mistakes which is an important part of excel in the final exam. Indeed, EDUCITY is one of the best coaching centre which provides not only quantity but also quality education.

8th Position
U. Aditya Luwang
S/o. U. Geetchandra Singh & L. Anita Devi
11th Position
Haobam Rijando
S/o. H. Nandabi & H. Phajabi
12th Position
M. Norich
D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi
19th Position
H. Aman Singh
S/o. H. Tomba & H. Baby
22nd Position
A. Pooja Sharma
D/o. A. Ibemcha Sharma & Ph. Premlata Devi
23rd Position
Md. Makbun
S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019

91.4 % R.K. Phalguni
S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya
90.4 % Bandana Mutum
D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni
85.0 % Irungbam Thajalembi
D/o. I. Kunja & I. Kunjamani
84.6 % Nikesh Sapam
S/o. S. Bhogen & S. Sobita
83.0 % Nancy Keisham
D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

Scholarship available for brilliant students (from 85% and above)

Facilities -
50% off on 1st to 5th school position holders
50% off on disable students
30% off on sports person
50% off on Govt. School students

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOY'S & GIRL'S HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

General Foundation Course
for Class I to VIII
From 5th January, 2020

I to V - All Subjects (₹ 1,200 per month)
VI to VIII - Maths, Eng., Sc., S.Sc., Hindi/MM (₹ 1,500 p/m)

Our Faculties are :
For detail Please contact 9612 194500

Maths : Sir Anil, Sir Subashchandra, Sir Wenliam, Miss Sushmita
Science : Sir Korou, Sir BK, Mad'm Pushparani
English : Sir R.K. Dimbajit, Sir Apoi, Sir Kiran, Miss Sushma
Social Science : Sir Robin Soibam, Mad'm Romita, Miss Linthoi
Manipuri : Miss M. Esther, Miss Preety
Hindi : Miss Nomita

HL-B/5770/26,27,28....

/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পুথাগৎচরি

ঐ পাইলসকী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা শৌজদগী খোঙ হান্দবা ঈ য়াওবা, চাথৎলগা থুপ্পা-শাবা, শৌজগী মনুং-মপান্দা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চংবা, শা-ঙা চারগা হেনবা, শৌজদা শারি-শারি তৌবা, পুক য়াম নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা, গ্যাষ্টিক, চানীংবা পোক্তবা পূম্নমক অসি ঙসিদি ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756কী হীদাক চাজবদগী হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু মপুনা চানবীবা ওইসনু হায়না হায়জরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Khamba**
Thoubal Bazar

HL-P/5090/24

/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নম:

পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু নাওয়োক নাওকোনবীরম্বা শ্রীওক্রম ইবোচৌ সিংহনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লুম্লগা হৌখিবা তাং ১৭/১১/২০১৯ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ২০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যা দাশ হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

ঙরাং তাং ২২/১১/২০১৯ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ২৫নি পানবা ইরাই নুমিত্তা আষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৩০/১১/২০১৯ ইং, পোইনুগী ৪নি পানবা থাংজ নুমিত্তা লৈখিদ্রবগী শ্রদ্ধা দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি-সংঙ্কির্ত্তনগা লোয়নना শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শ্রীহরি নাম শ্রবন ওইবিরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

বিনিতগণ :- ওক্রম ওংবী ইরেংবম নিংঙোল সোরোজিনি দেবী (সহধর্ম্মিনি) অমদি ইমুং মনুং
শিংজমৈ মখা খোঙনাং ফৈদেকপী অহৈবম লৈকায়, ইম্ফাল

HL-P/5356/23,24,25

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 12 — 10TH DECEMBER 2019

2019 BOSEM TOPPERS

2ND POSITION ASEM SOPHIYA
7TH POSITION W. NINGTHEM
7TH POSITION W. SANAMATUM
8TH POSITION U. ADHITYA
15TH POSITION REHAN YUMNAM
22ND POSITION ROSHAN KH.
23RD POSITION RICKY KHAIDEM
23RD POSITION SOIBAM DAINA
24TH POSITION LAMJINGBA
CBSE
ANOUBAM SNEHA CBSE (X) 95.5%

MORNING 04.30 – 7.30 A.M.
EVENING 04.40 – 8.00 P.M.

SPECIAL CONCESSION

2019 COHSEM SCIENCE TOPPERS
2019 COHSEM ARTS TOPPERS

4TH POSITION ROBINSON
6TH POSITION SHAHA MINHAZ
8TH POSITION ANJU ANAND
9TH POSITION THOUNGAMBA
16TH POSITION SAMANANDA
5TH POSITION KH. SHARMELI
5TH POSITION H. BERON
6TH POSITION LINTHOINGAMBI
10TH POSITION L. BRINDASHI

1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex students).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% AND ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONSESSION ON GOVT. SCHOOL

RAPID MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
- BASE ON BOSEM, COHSEM & CBSE EXAM PATTERN SYSTEM
- TO SCORE HIGH MARK AND QUESTION ANALYSIS OF PREVIOUS YRS

VAN SERVICE BOTH MORNING & EVENING

BOYS' & GIRLS' HOSTEL AVAILABLE

REVISION COURSE 2019

CLASS	X/BOSEM	X/CBSE	XII (Sc)	XII (Arts)	XII COMMERCE
DATE	5TH & 13RD Dec.	5TH & 13RD Dec.	25TH Nov. & 5TH Dec.	25TH Nov. & 5TH Dec.	2ND & 9TH Dec.

NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUARY : 9862992105

HL-B/575799/12nov. to 11 dec.

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখণ্ড পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শক্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঙ্খিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঙ্গরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হাবা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফম্বা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. **9612225582**
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

HL-B/5648/31/8to30/9

/দশা য়েংজরি

জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

Contact:-
Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/5269/12nov.-11dec.